## এডিটোরিয়েল

# মৈ অমসুং ঈশিং

*ষ্টেটসিদা মখল মখা কয়াগী চাউখৎ থৌরাংগী পায়খৎখ্রবসু ঙসি ফাওবা মীয়াম্না খ্বায়দগী হেন্না তঙাইফদ্রিবা মৈ অমসুং ঈশিংগী মতাংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী দিভলপমেন্ট ফংদ্রি হায়বসি সরকার অসিনা খঙফম থোকই। মণিপুরদগী মৈ পুথোক্লবসু মৈগী চাং অসি শুনা শীজিন্নবদি মণিপুরগী মীয়াম্না ফংদে। লমদমসিগী লোক্তাকতগী মখল মখা কয়াগী লৌ উবা য়াবা লৌফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা ফাওবা প্রোজেক্ট অসিনা পুথোকপা মৈ অদু মীয়ামদা ফংহনগনি হায়বগী থাজবা অদুখক্তনা লৌমীশিংনা কখোকখিবনি। মমৈদা হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংগী ওইবা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎপা প্রোজেক্ট অমা ওইবনা লোক্তাক প্রোজেক্টতগী ফংবা মৈ অদু চপ চানা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অদুদা য়েন্থোক্লগদবনি হায়বা ৱাফম অমা লাকখি। মদুগী মখা তারকপদা সরকারনা শীল্লিবা থৌশিল অদু মমাংদা খঙহৌদবা মীয়াম্না খোঙজং কয়া চংশিল্লকপগা লোয়ননা ষ্টেটসিদা খ্বায়দগী হেন্না মাঙজবা প্রোজেক্ট অমা ওইরে হায়না লৌনরকখি। মতমদুগী মণিপুর সরকারনা ক্লারিফিকেসন পীবা মতমদা হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি ষ্টেট কয়া অমগী তঙাইফদবা পৱার সপ্লাই অদু পীবা ঙম্নবা শেয়ার তৌনরগা পায়খৎখিবা প্রোজেক্ট অমনি হায়রদুনা মসিদগী থোকপা পৱারগী প্রদক্টশিং অদু নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা মান্নবা চাংদা য়েন্নগদবনি হায়না ফোংদোকখি। মদুগী মখা তাবদা মীয়াম্না মাঙজরিবা অমসুং কখোকখ্রিবা লৌমীশিংগী লৌ উবা য়াবা লৌফমশিং অদুগী খল্লগা শোয়দনা মণিপুর সরকারনা ষ্টেটসিগী প্রজাশিং ওইনা প্রোজেক্ট অসিদগী থোকপা মৈগী চাং অসি তঙ্খায় অমা লৌরগা অতৈদা অরেম্বশিং অদু য়েন্থোক্লবা প্রাপোজেন অমা থাখি।*

*মদুসু সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা অদুক য়াম্না হকচিন্না লৌখিদে। মসিদগী ষ্টেটসিগী মীয়াম্না হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি ষ্টেটকী ওইনা কান্নদবা ওইবনা তোকথোকপদা করিসু কায়দে হায়না ফোংদোক্লখি। মসিদসু মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মীহুৎ অমা ওইনা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী থৌশিল অদুগী মায়োক্তা করিগুম্বা অমত্তা হায়বা ঙমখিদবা অসি মীয়ামগী মীহুৎশিংগী অশোনবা ৱাখল্লোন অমা লৈবদগীনি হায়না লৌবা তাই। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মণিপুরদা মৈ অমসুং ঈশিংগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসি অরুবা ফিভম অমনি। হৌজিক ফিভমসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা ঈশিং ফংদবগী প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লরকপগা লোয়ননা মৈ ফংদবগী প্রোব্লেম অসি লাকপনি। মৈ অমসুং ঈশিং হায়বসি তঙাইফদবা মীওইবগী পুন্সি হিংবদা চংদবা য়াদ্রবা মচাক অনিনি। পুন্সি হায়বসি হিংবদা মৈ অমসুং ঈশিং চংই হায়বসি সরকারসিনা খঙফম থোকই। মৈনা পুন্সিনি, ঈশিংনা থৱায়নি হায়বসি খঙদবা সরকার অমনা লমদমসিদা অচুম্বা ৱায়েন অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বসি থাজফম থোক্তে। মাঙজরিবা ষ্টেটকী লম-থুম অদুগা লোক্তাক প্রোজেক্টনা পীবা মৈগী চাং অদুগা ওন্নবা হায়বসি খ্বায়দগী লাইবক থিবা অমনি অমসুং মসিদি মীয়ামগী হক অদু প্রোজেক্ট অমদা শীন্নখিবনি হায়না লৌবা য়াই। খ্বায়দগী নুংঙাইতবা ৱাফম অমনা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা কাইথোকপা শেনফম অমসুং মদুগী কান্নবা অমত্তা খঙদনা লৈরি অসিগুম্বা ফিভম অমদা লৈবা মতমদা ষ্টেট সিগী মীয়াম্না নিংখা তম্বগী ভেল্যু অদু ফংহনবা ঙমদনা ভরতনা নিংখা তম্বা ফংখিবা চহি ৬০গী মতুংদসু ফংবা ঙমদনা লাক্লি হায়না লৌবা য়াই। মৈ অমসুং ঈশিং হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না তঙাইফদনা মতম কয়াদগী মমংদগী নিংখা তম্বগা মরি লৈননা ফংবা ঙমদনা লাক্লিবা ইশু অমনি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### হৌজিক্তদা ঈশিং নুংশিরকপা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

ৱারে ফজনা ৱারে মণিপুরদা ঈশিংগী অৱাবা, মফম খুদিং, লৈকাই খুদিং, ডিষ্ট্রিক খুদিং। অদুবু নোংম-নোংমগী অৱাবদি হেনগৎলক্লি, থক্লবা ঈশিংদা নত্তে, ফীসু-ফীজামগী মনুং-চংবগী হীরম খুদিংগী। মপাল লমদগী লাকপা, লোকেলগী বোটলদা হানবা ঈশিংগী মমল অতিয়া পকপা মখৈ মমল ৱাংখৎনবা মফম য়াওনরে। পৈশা-নুংশাগী ফীভম ফবা মীওইশিংনা ঐ ৱাদ্রগা লোইরে হায়দুনা মপান্দগী লাকপা, লোকেল বটল ফংবদা ৱাবা হৌরক্লে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম খরদা য়েল্লিবা ঈশিং অসিসু খুদক্তা Bleaching Powder, Chlorine Tablet থাদরগা য়েনবনা পেন্দবা অপেনবা ওইদ্রি। হৌজিক মণিপুরগী মফম খরদা ঈশিংগী ৱাহৌদগী ঈ-নাই তানবা য়াওরকপা শুংশোই-শোইদবনি, মসি কনাগী মরাল ওইগদৌরিবনো। মীওইবনা খ্বাইদগী মরু ওইনা শীজিন্নরিবা অসিগী মনুংদা ঈশিং অসিসু অমনি। গভর্নমেন্টগী মাইকৈদগী Pipe line দা ঈশিং পুরক্লগা ফংহনগনি হায়রিবা অসিদী চীন অমা পল্লি হায়বগী পংহায়দা হায়বা ৱাফম অমনি। প্রজানা ইরাং হৌদ্রিঙৈদা হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনা ৱারিবা হীরম অসিদা কোক চুংশিন্নবগী মতম ওইরে। অদুগা চেকশিনগদবা অমনা করবার তৌরিনী হায়দুনা অশাবা মিনরেল ৱাটর য়োল্লকপা তারবদি কনাগী মাংজবনো, মসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা NGOs, COs শিং অমদি গভর্নমেন্টগী মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীংয়েং অথুবা মতমদা চংহন্নীংই।

*অদোমগী*
*এ. রোমেস সিংহ*
*সগোলবন্দ, ইম্ফাল*

# খল খায়থরকপগী হেন্ডমেদ

নোং চুদদুনা পুখ্রি ঈশিং লৈতবদগী য়ুমগী নুপীশিং ঈশিং থিবা হোৎনবদা অঙাং শেন্নবা ঙমদবসি উ ৱা য়ান্থুৎপদগীনি হায়নৈ। কালেনগী নুংশা শামন্দুনা নোংমা লিৎপা ফুরিৎনা নিনি শুনা লিৎপা য়াদবমখৈ মোৎপসিসু উফুল পাইশিনবদগী ওইরবসু মপুং ওইবদি উ ৱা য়ান্থুৎপনা ওইরম্মী। নিংথমথাগী মতমদা য়াম্না ইংবসিসু চীংদা হৌবা উ পাক্তক্লনা য়ান্থুৎপদগীনি হায়নখি। অহিং অশাগী খল কাইরকপসিগী মরুওইবা হৌরকফমসি উ ৱা য়ান্থুৎপননি হায়বসি অখঙ অহৈ ময়াম অমনা হায়রকপা চহি মরি মঙা অসিদা য়াম্না তোয়না তারে। অচুম্বা ওইরবসু য়াম্না তোয়না তারকপসি তাবদা নুংঙাইতবা ফাওরকই। উ য়ান্থুৎপদগী মহৌশাগী খল কায়রকপনি হায়বসি মীয়ামদা শন্দোক্তুনা লৈবগী মহুৎতা উ থানবা থবক ওইনা পাক শন্না পাঙথোকপনা পাউজেল শন্দোকপদগী হেন্না কান্নগদবা লৈরবসু উ থাবদা পাঙ্গল, মতম চংবনিনা তৌনদে। পাউজেল শন্দোকপদি ইশা নান্না মাইক্রোফোনদা ওইরবসু রেদিওদা, টি ভি দা ওইরবসু হায়বা য়াই। উ থাবদি মাইক্রোফোনদা থাবা য়ারোই। রেদিওদসু, টি ভিদসু উ থাবা য়াদবনিনা পাউজেল ওইনা হৌজিক ফাওবা লৈরিবনি। মহৌশাগী খল কায়রকপা হায়বসিদা অহিং অশানা অহানবা ওইরবসু হুম্মাং শৌমনবদগী ৱাখল লৈতাদদুনা ইমুং মনুংদা খৎনবসিসু উ-ৱা য়ান্থুৎপননি। খুদিংমকসি উ ৱাগা মরী লৈনরম্লে। চহি তরেৎ, নিপালগী মমাংদা থেংনখিবা বলাদু ঙরা নহান থেংনবদা মায়থোক খজিক লংশিল্লম্বসি উ য়ান্থুৎপনা ওইবা তাই। বলাগী হোটেলদা থরোই থোংবা চাবা লাকপা মীশিংগী থম্মোয়দা কাওবা য়াদবা থরোই থোংবগী মহাও লৈরবসু বলানা মহৌশাগী খল কাইরকপদা মায়থোং খজিং লাংশিনবসি থরোই চুপ্পা মীশিংনা খঙদ্রবসু ঐগী থম্মোয়দা নুংঙাইতবা অমা ফাওরিবনি। ঐগী থম্মোয়বুসু নুংঙাইতবা ৱাখল ফাওহল্লিবসি উ য়ান্থুৎপননি। উ য়ান্থুৎপদগী শাবা হেনগৎলক্তুনা হোটেল লৈরঙ্গী অশাবা মৈশাদা উ য়ান্থুৎপগী মৈশানা অমুক্তা হেন্না শাহন্দুনা মায়থোং লাংশিনখিবসিগী খল্লুরবদি উ পাম্বী অমা অনিদং ওইরবসু থানিংবনি। ঐনা উ থাবদা বলাগী মায়থোংনা শকফম কায়দনা লৈবদা নুংঙাইরবসু শম্বল খানরিবা মনিংথংবগী রানিবলানা মশক ফজনা লৈবদুদি থম্মোয়সিনা য়ানিংদে। রানিবলাগী খল্লগদি উ থাবগী মহুৎতা য়ান্থুৎপদুম পাল্লিবনি। ঐগী ৱাখলসিগুম খনবা মী ময়াম অমা




মণিপুরদা লৈরম্বনিনা উ য়ানবদা করিমতা নাচুংদনা য়ান্থুৎখিবদগী ঙসিদি কালেনগী নুংশাদা উগী মৈশাগা পাশিন্দুনা চাকখুমগী মৈশানা থাও ওইনা হৈথদুনা মশক ফজগদবা ময়াম অমা মশক থিজিল্লক্লিবনি। নুংশিদবা ময়ামগী খনবনা হেনমনখিদুনা নুংশা শাবা হেনগৎলকপদা নুংশিবগী মায়থোংসু মকশিল্লকই হায়বসি নহানমখৈ খঙলমদবদু বলানা মৈশা খাংবদা মায়থোং মকশিল্লম্বদা ঐগী থম্মোয়দা ফাওরকপা নুংঙাইতবা অসিগুম উ-ৱা য়ান্থুৎলিবা ময়ামগীসু মখোয়না ফজহন্নিংবা মায়থোং কয়া মকশিনখ্রে হায়বসি মুন্না য়েংলবদি মহৌশাগী খল কায়বা খরদি ফগনি।

কালেনগী নুংশানা শাবা হেনগৎলক্লিবমখৈ য়ুমদা লৈবা ইচা ইশুশিংসু ঙাংনবা য়াদবা হেনগৎলক্লিবসি মহৌশাগী খলগা চানবনিনা উ-ৱা য়ান্থুৎপগা মরী লৈনগদৌরিবনি। ইচানা ঙাংনবা য়াদবসু উ য়ান্থুৎপদগীনি। ইচাগী স্কুলগী পরিক্ষ্যাদা নম্বর হন্থরকপসিসু উ য়ান্থুৎপগা মরী লৈনরিবনি। ঐখোয়দা নুংঙাইতবা থোক্লিবা পুম্নমকসি উগা মরী লোয়না লৈনরক্লিবসি পাউজেল শন্দোক্লিবা ঐখোয়না খুদিংমকসি উদা তাইশিন্দ্রবদি তাইনফম খঙদবদগীনি। মৌনা য়ুমদা হল্লক্লে হায়বা পাউ তারিবসিসু উ য়ান্থুৎপগা মরী লৈনরিবনি। উগা মরী লৈনদবা অমফাওবা লৈরমগদবা মান্দ্রে। মসি হেক হায়বদা মরাল লানবা মী খুদিংমক ৱাখল নুংঙাইনা লৈগদৌরিবনি। খুদিংমকসি উদা লোয়না তায়নখ্রবনিনা মীওইবা কনামতা লান্দবদৌনা নুংঙাইনা লৈরিবসি উ লৈরম্বদগীনি। পুম্নমকসিগী মথক্তা ইরন্নাই ওইনা উদা শাওনিংলিবসি ঐগী নুংশিজবা বলানা চাকখুম লৈরংদা মৈশাগী মথক্তা উ য়ান্থুৎপগী মৈশা হাপচিন্দুনা মাইথোং লাংশিল্লম্বসিনি। উদদি চৈরুবা য়াদবনিনা উগী পাউজেল তারগা ঐনা তৌগদবসি হেন্ডমেদ অমা লৈরগা উপহন্দুনা চাকখুম লৈরংদা ফমহনবসিনি। মসিখক্তনা মহৌশাগী খল কাইরকপদগী ঙাকথোক্লবা উপাই ওইগদৌরিবনি।

# "অঙাংশিংদা খুদোল তম্বা থৱায়মি"

**মালেমগী অঙকপা থৌদোকশিং**
**ইবোপিশক লুৱাং**

ইংলেনগী লীসেশুর শায়র কৌবা মফম অমদা বোসৱর্থ কৌবা মথোল লোংবা য়ুম অমদা হৌখিবা চহি চহুমদগী মসিগী য়ুম্বুরেম্বী ওইরম্বী নুপীগী থৱায়না কোয়না চত্তুনা লাক্লি। খুদম ওইনা মসিগী থৱায়মি অসিনা অতোপ-অতোপ্পা থৱায়মিশিংগী মতৌগুম্না অহিংদা য়ুম অসিগী অকোয়বদা কোয়না চৎলি অদুম্নদি ওইরগা মসিদা থোইদোকপা অমনা থৱায় অসিনা অঙাংশিংগী মফমদা অঙাংশিংনা অপাম্বা পোৎশক খন্দুনা খুদোলপোৎ য়েনবসিনি।

অঙাংশিং মখোয় মশাগী য়ুমদা তুমদুনা লৈরীঙৈ মতমদা থৱায়মি অসিনা মখোয়গী মনাক্তা লাকই অমসুং খুদোলপোৎ ময়োম থন্নম্নগা মাংখি। অসুম্না অঙাংগী মফমদা খুদোলপোৎ তম্বগী অঙকপা পাউ অসি চীংদা লম্মৈ চাকপগুম্না লৈপাক শারা শন্না শন্দোরকখি। অঙকপা পাউ অসি লণ্ডন গজতনা চপ-চাবা থিদোক্তুনা খঙদোক্লগা ফোংলকখি। অরোইবদা থৱায়মি অসিনা করিগীদমক অঙাংশিংদা খুদোলপোৎ তন্নী, মসি খঙদোক্লবগীদমক চহি চহুমগী পৱারিদা চঙবা তাই।

মতম অদুদা বোসৱর্থ কৌবা মথোল লোংবা অচৌবা য়ুমজাও অসি সার দিসীদয়োনা শাহনখিবনি। মতম অদুদা মহাক মশাগী চহি চাওরাক্না ২৪-২৫ ওইগনি। নোংমা মহাক্না ক্লবকী লৈশাবী অমগা নুংশিনখি। লৈশাবী অসি মহাক্না লুহোংদনা য়ুমদা লৈমিন্নখি। অসুম্না মতম খরদি য়াম্না নুংঙাইনা লৈমিন্নদুনা মতম হৌখি। লাইবক থিবদি নোংমা অহিংদা সার দিসীদয়ো য়ুমথক্তগী তাদুনা থৱায় মাংখি। হৌজিক মপাং কাইনরবী মরাইবক থিরবী লুহোংদ্রিবী মাগী নুপীনা অচৌবা য়ুমজাও অসি মতোমতা য়েনশিনবা তারম্মী। অহিং-অহিং দিসীদয়ো নিংশিং-নিংশিং মিৎকপ অমা উইশিনবা ঙমদনা থরো-থরো ওন্দুনা খাংই। মহাক্না দিসীদয়ো নিংশিংলগা অসুম হায়না খল্লকই হে *মপু নোংদম্বা, ঐগী তম্পাক অসিমতং হাংহনবীরমদ্রবদিকো, ইচা য়েংলগা লেমহৌরিবা ঐগী পুন্সি অসি ৱাদনা লেনবা ঙমজগদবনি।*

নোংমা অহিং অমদা দিসীদয়োগী অচৌবা ফোতোগী মাঙদা খুকউ-খুদক কুন্না ফম্নগা মমিত্তা পী চদুম-চদুম শিন্থনা কপ্লি। অসুম্না কপ্লিঙৈদা খংহৌদনা অঙকপা মতৌ অমা উরকই। ফোতো অসি খরা মঙাল থোক্না ঙান্থোরকই। মসিদা মহাক্না শোক্তুনা য়েংগে খল্লকপা মিকুপ্তা ৱা ঙাংবা তারকই –*ঐ মমি ওল্লবনি। নঙ অঙাংশিংবু নুংশি, মরম অসিনা নঙনা শিরগা ঐগী নাক্তা লাকউ।* মাগী নুপীনা ৱা খরা হায়নিংবা লৈ অদুম্নদি ওইরগা ৱা হায়বা নংদনা মঙাল অসি মমখি। মথংগী নুমিত্তা মহাক্কী নুপীনসু য়ুমথক্তগী চোংথদুনা মথন্তা থৱায় থাখি। হৌজিক্তি মহাক্কী থৱায়সু মমি ওল্লগা মপুরোইবগা পুন্না লৈমিন্নবা ফংজরে। অঙাংশিংবু উরগা মহাক খোয়রাংজবনি। অসিগুম্বগী মতৌ অসি য়েংলগা দিসীদয়োনা মাগী নুপীদা হায়- নহাক্না অঙাং অদুক য়াম্না নুংশিরদি মখোয়দা মখোয়গী অপাম্বা য়েংলগা খুদোল তম্বা হৌ। ইংলণ্ড ক্লবকী শকহেনবী অমা ওইরম্লবী, দিসীদয়োগী লুহোংদ্রিবী নুপী *মোরিয়া* শিখিবা চহি চহুম হৌখ্রে, অদুম্নদি ওইরগা হৌজিক হৌজিকমকসু মহাক্কী মমিগী হৌরকফমদা লৈরী। মহাক অতেক অকায় ওল্লবা মহাক মশাগী য়ুম ঙাক শেল্লি লোইননা অহিংদা অঙাংশিংগী মরক্তা চৎলগা মখোয়না পামগদবা পোৎ খুদোল তল্লি। ইংলণ্ডগী মীশিংগী মরক্তা মহাকশু কাউথোকপা ঙমদনা নিংশিংদুনা লৈরি। লুহোংদ্রিবী *মোরিয়া* গী থৱায় মিরেলনা করিগুম্বদসু কনাগুম্বা অমত্তদা অৱাবা পীদে। থাঙ্গশেংনমক্কী অঙাংশিংগী মরক্তা খুদোলপোৎ য়েল্লি অমসুং লাইরবশিংদসু মশাগী থাক্তদগী মতেং পাংই।

# "ফৌওইবী লাইরেম্বী"

**হাওবম ইবোচাওবা**

ঙরাংগী মখা ....

"পলেম শকপী ইমাও নমোম্না থিজরক্লিবা ইথংলেন অকোংজাম্বগী মরানয়াই ওইবীরবরা?" ৱাফমসি তাবদা মশাবীগী পলেমনা খনখি –করি হায়বা মহাক্না হৌজিক হায়খিবদুবো ইথংলেনগী মরান য়াই ওইবীরবরা ? মাংলে মাংলে সিদি অসুক থিখ্রবা মোৎতাই নোংদাইনবা হাওনুবী নুপী অসিনা ইচাগী তাল্লোই ওইবা ! তন্না পাউখুম পীরকই – "য়ারোই য়ারোই নহাক য়ুমসিদা চংলকপা য়ারোই ইচাসি লাকপা ফমথোল্লবনি খঙদবরা ?" ফৌওইবীনা – "ইমাও ইশাবী অকোংজাম্বনা চৎখিবা হল্লত্রিফাওবদং নরানয়াইদা লেঞ্জখিগেগবা" হায়না হায়জরকপদা পলেম মানা শাউনা "করি হায়বা মীৎলাওবী শকথিবী সুকয়া য়ারোই হায়রিসিনি।" "নরানয়াইদা চংহননিংদ্রবসু মাঙ্গোল খেঞ্জোং লাংদা য়াকাইজখ্রগে।" "য়ারোইহে শকথিবী নঙনা ইমুংদা চংলবা ইরল তুমনি মাংগনি।" "অদু নত্রগনা যনঙ্গোনদা লৈজগে" "নঙনা মদুদা লৈরবা কাওরেল মরাই তাগনি।" "ফরে অদু নত্রগনা তেকপী ওককোন্দা লৈজগে।" "মদুদসু নঙনা লৈরবদি তেকপী ওককোন মরাই তাগনি।" "ফরে অদুসু য়াবীদ্রবনিনা য়েনগোন্দা লেকচরগে ইমাও।" অকোংজাম্বগী মমানা শাউমনখ্রদুনা হায়রকই "হে ইকাই খঙদবী মীৎলাওবী, শকথিবী নঙদা লৈরম্মু খঙগনি ইখুৎতা পায়রিবা য়াংগেন শুমজিৎ অসিনা ওন-ওন্দুনা ফুরগা ঐগী ইতিক খঙহনগে। " অসি ৱা তাবদা ফৌওইবীদু "শৌ-ৱা" হায়রম্নগা মাংথোকখ্রে। "হি! করি মতৌনো হৌজিক্তা ইমাংদা লেপ্লম্বী নুপীদু মাংখ্রবা ? কিদুম কিঁজে ইমুংদবু চঙলগে।" হায়রম্নগা ইমুংদা চংদুনা থোঙ লোনখ্রে।

ফৌওইবীনা কাইরৈ য়েনগোন্দা লেকলুরগা মীকপ থোরকপদা ফৌওইবীনা অসুম্না খল্লক্লে "পলেম ইমা নহাক্না ঐবু শকথিবী হাওনুবী হায়খিবদো ঙসিদি নচাগী শক য়েংজহৌরো লাও অদুগা ইশাবীগী ইংখোলদা লেনখিবগী লমন শিংবীরমগে অসি খন্না কৌরকখি। পলেম ইমা শকপীও মাঙ্গোল খেঞ্জোংলাংসিদা থোরক্তুনা ঐগী ইশকসে য়েংজরুলাও।" পালেম ওইবীনা কনানো ঐবু কৌথোক্লিবসিবু হায়না মপান্দা পরপ-পরপ থোরকপদা থাবুম থাজগুম নিংথিনা শকহেনবী ফিঙৌ শেৎতুনা হায়ফম খঙদবা মখৈ ফজবী নুপী অমা শুমাংদা লেপতুনা লৈরম্বা উবা "ইস! ঐবু মঙলা তাইবংলা তৌরিসিবো কয়াগী মতীক ফজখ্রবা ? ইবেম্মা শকহেনবী নহাকপু খোইয়ুম লাইরা তাইবং মীরা ? লমদম কৈদগী লাকপনো তাকপীরোগবা ইমাদা" হায়না পাউমেনজরকই।

"তাজহৌরো পলেম ! ঐসে খোইয়ুম লাই চনু ফৌওইবী হায়বীদুনি নচা-ঐ অমত্তনি। ইমানা ইমুং-মনুং থৌখঙদবা নরমচৎ অদুনা উনদবা তারেদো হায়না খুন্নকখি। মদুদা পলেম মমানা অসুম্না হায়রকখি " "হে ইমা ফৌওইবী লাইরেম্বী তাইবং ইৱাহৈ অথিবা, চুমদ ইরমচৎ হোংজরগে থাদোকচরগে মোংবা ইরানয়াইসিদা লেংশিনবীরক্লোগবা ইমা" ফৌওইবীনা খল্লক্লে মসিদি ইচিন পেন্নবু চৈরমখিগে – তারোহৈ থৌখংদবী, তুংগী ৱাখল খন্দবী, অচান মীরাই নাইগনবী, চিনগনবী, অদুবু ইশাবীগী য়েংলগা নশুমাংসিদা চরৈ নমখাংসি কন্দুনা ফৌনা শনজিং শানা পৈবীরম্নগে হায়না কনবদা ফৌনা শনজিংশানা পৈরম্নগা তপ্পা তপ্পা থোঙ্গাল লোমদা মখা পাংনা চৎখ্রে। হে ইমা ফৌওইবী পারি ইচানা হল্লত্রিফাও ঙাইহাক পুংগোয় পন্থুবীখো ঐনা ইমাদা তাথি তাওইনা চৈখিবা উনবীনুংদা নাইনু কিশি থম্বীগনু ঐবু কুবীয়ুগবা ইমাও হায়না মমানা নীজখি।

অকোংজাম্বনা ইরাৎনবা শারম ফাবা চৎলুবদগী ময়ুমদা হল্লকপদা শুমাংদা ফৌনা শনজিং শানা পৈরম্বা উবদা করি করম থোকখিবা মমাদা হংজখি। মমাগী ৱাহৈগী ৱারম পুম্নমক খঙলদুনা মশানৌ ফৌওইবীবু শগোল থৌদুনা তান্নজরকখি। শগোল থৌনা-থৌনা পাওমেঞ্জরকখি – হাদ ইশানৌ ইবেম্মা নশবী ঐনা কৌজবসে তাদৱাও পলেমগী তাথি ৱাহৈদা নত্ত য়ুম্বালবু নাথৈদুনা নশাবী ঐগী মোংবা ইরানয়াই খোংদোইবীরকখোগবা পাম্মুবী। ফৌওইবীনা পোইরৈ তাল্লবদগী তারিবা খোঞ্জেলসে ইশাবী অকোংজাম্বগী মৱাহৈ নত্তনা অতৈ ওইরমলোই অদুবু তানা তানা অসুম চৎখ্রগে খন্দুনা লেপ্তুনা চৎখি। "তাইবংলক্তগী অথোইবা ইশাবীও পালেমগী তাথি ৱাহৈ তাবদগী মোংবা নরানয়াইদা হল্লক্লরোই ৱাশকচখরে শাওবীরগনু ইথংলেন লোয়ুম্বা। শরি ৱাশক কোক্লরসি ফৌওইবী ঐনা পন্থৌ য়াথং তুংইন্না খোংদোইরক্তুনা ইশাবী নহাক্না থেংনদুনা ফৌকৌরোল তাইবং চিঞ্জাক পুথোক্লম্মী হায়বা ৱাহৈসে মালেম শিনথুংনা লৈহৌরসনু। শরি ৱাশক কোক্লরসি। তাইবং মপোক লোইরকখো নংগা ঐগনা লোইমোম ফৌরম ১০৮ পুথোকপা হৌরকপদা শরি ৱাশক কায়খিবদগী থোয়না শাওনা চৎলিঙৈদা তত্তনা খাম্মী হায়বগীদমক ইথংলেন্না মথঙ লাংওন্দা '*খম্বা*' ওইনা শাইওনবীরকউ। ঐবুনা ইশাবীনা খাম্বা য়াদে থোইমল্লি ৱারৌবীরবনিনা অথোইবী চনু নিঙোল '*থোইবী*' কৌনা শাইওন্দুনা পোকচগে। অদুগা পলেম ইমা ৱাখঙদবীদু ননাও ঐনা মাবু নুংশিদবা তাইবং শিন্না খঙহৌরসনু। খারী লবুক্তা পলেমগী মীংলেন অহৌবা থোইদিং মাবু পুথরবদি ফৌথোক হনবা ওইরসনু। পলেম্না তাথি তাওইনা তৌরম্বদগী কল্লক মীহৌনা পান্নকপা মানা '*পাম্বা কৈ*' ওই, ঐগী ইরমগীদমক য়াইবী থৱাই মাংসনু মদুনা ঐগী লমন শিংবা শকচগে হায়না ফৌওইবীনা খুন্নবদা অকোংজাম্বনা "ফরে অদুদি ইশানৌ লাইনিংথৌ থাংজিং সোরারেলগী ময়াথং তাইবং ফৌকৌরোল শানৌ নঙনা পুবীরকপা পুম্বা নশাবী ঐঙোন্দা শিন্থাবু পীবীরমলো " হায়না থৌনিখি। মদুদা ফৌওইবীনা হায়রকখি ঃ-

"শাবী ইবুংঙো নুংশিবা ননাওনা চিংঙু শিন্থা পুজরকপা পাম্মু কাদা শিন্নজরম্নগে, নাপা খোয়জংনা তাবীয়ুদো পাম্মুবা। ফৌওইবী লাইরেম্বী ঐবু খরুম্বদা "কাইরৈ য়েনবী অমুবী লিক্লাই ময়োল চোংবীনে, তেকপী ওকলেন অমা, লৈশংলৈ, হৈরাং মনম নুংশিবা খরা, হকচাংগী মহুৎ হৈ (হৈচাং) অমা, চুঙৌ মতাং শাংবা অমা অমসুং অথুম অহাওগা লোইননা অকোংজাম্বা ফৌওইবী ইবানিগী মীংবু উনবী পুক্লিং খোয়জংনা ফৌকৌরকপা তাইবং মী অদুগী লোইমোম ফৌরম ১০৮ ফংজবা, অমাং অতা লৈতবা অমদি ৱাত্ত পাদবা ওইরসনু পাম্মুবা।" অসুম্না ৱাইনু কদনবনা "তারেদনা ইশানৌ থৌদনবী ফৌওইবী ইমাগী তুচুংলবা ৱারিসি" হায়না পাউদম্নবা তুং কদনবনা ফৌওইবী ইমাগী নুংশি ৱারিবু লোইশিনখি।